# এগজামদা ক্বেসন লিক ওইবা অমদি নত্তবা পাম্বে শীজিন্নবা হেনগৎলকপসিনা অফবা পুথোকপা ঙম্লরোই : এইমস

**ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচ এন এস):** এগজামদা ক্বেসন লিক ওইবা অমদি নত্তবা পাম্বে শীজিন্নবগী চাং হেনগৎলকপসিনা অফবা মরু চঙবা তুংগী যূম্বী পুথোকপা ঙম্লরোই হায়না অপূনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলূপ (এইমস)কী জেনরেল সেক্রেটরি খুমুজম রোশনগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, হৌজিক চথুরিবা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেশন মণিপুর (বোসেম)না লৌবা ক্লাস টেন অমদি কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেশন মণিপুর (কোসেম)না লৌবা ক্লাস ত্বেলভকী এগজামশিংদা ক্বেসন লিক য়াম্না তোয়না ওইরকপা অমদি নত্তবা পাম্বে শীজিন্নবগী চাং য়াম্না ৱাংনা হেনগৎলকপদা নত্তনা ওথোরিটিশিং অমদি লমদমসিগী মহৈরোয় লূপ কয়ানা এগজাম নুমিৎশিংদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলকপদা মহৈরোয়শিং অমদি মমা-মপা ওইবশিংগী মায়কৈদগী ফজদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপগী থৌওংশিং অমদি নিংঙাই-শংদাইনবা কয়া থোরক্লিবসি খুন্নাই অসিগী ওইনা য়াম্না লাইবক থীবনি। মসিদা নত্তনা যূমথংনবা লৈবাক কয়াগী মহৈরোয়শিংগী মমাঙদা য়াম্না ঈকায়নিংঙাইহনি। হায়রিবা থৌওংশিং অসিবু এইমসনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

এইমসনা হেন্না ঙক্লিবদি হৌখিবা চহী কয়াদগী হৌনা ইরমদমসিদা অফবা মরু চঙবা যুম্বীরেল কয়া পুথোক্লবগীদমক অরানবা পাম্বে শীজিন্নদুনা এগজাম থাবীদনবা অমদি ক্বেসন লিক ওইহনবীদনবা মহৈরোয় লূপ কয়ানা হায়জদুনা লাকখিবনি। অরানবা পাম্বে শীজিন্নবা অমদি ক্বেসন লিক ওইহল্লম্বা ওজা য়াওনা মীওই কয়া চৈরাক ফংখিবসু য়াওখ্রে। অদুবু মখা তারকপা চহীশিংদা হেন্না অফবা ওইরক্কদ্রা হায়না মীয়াম্না খল্লুবদুগী ওন্ন-তৈনবদা চহী অসিদসু হান্নদগী হেন্না ওজাগী মায়খুম উপ্পা কয়ানা ক্বেসন লিক ওইহল্লকপা অমদি পাক-শন্না অরানবা পাম্বে শীজিন্নবগী চাং ৱাংখৎলকপসিনি।

ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিনা মণিপুর খুন্নাইদা অচৌবা মাঙজরকপা অমা ওইবদা নত্তনা তুংগী মীরোলদা হেন্না খুদোংথিরক্লগনি। থৌওংশিং অসিনা লেপ্পা লৈতনা অদুম্মক চথুরকপা তারগদি মহৈগী লমদা অচৌবা অকায়বা পীরক্তুনা এগজামবু লুম্না লৌরক্তবা, থৌওইরক্তবা অমদি এগজামদা থৱায় য়াওনা থাজরিবা মহৈরোয়শিংদা দিমোরেলাইজ্‌দ তৌরক্তুনা পূম্নমক্কী অমাঙবা ওইরক্কনি। লোয়ননা ওজাগী মায়খুম উপ্তুনা লন্নাই মীওই খুজোক খরনা মহৈরোয়শিংদা ক্বেসন লল্লোল্লবরা হায়বগী চিংনবা ফাওবা মীয়ামদা পোকহল্লে। কাঙলোন চুম্না অফবা মহৈরোয় কয়া শেম্বী-শাবীরিবা লমদমসিগী অফবা ওজা কয়াবু মীয়াম মাঙদা মশক থিহন্নবা হোৎনরি। ওজাদি নত্তবা ওজাগী মায়খুম উপ্পা অশাবা ওজা কয়ানা লৈবাক খুন্নাই অসিগী মরু চঙবা যুম্বী কয়ানা অরানবা লম্বীদা চত্তনবা হোৎনরিবশিং অসিগী মথক্তা হেন্না অকনবা মখলগী চৈরাক পীবদা নত্তনা মতুং তারকপদা লমদম্নদনবা লৈবাক মীয়াম মমাঙদা পুথোক্তুনা য়াদে হায়বা অমা খঙহনবগী মতম ওইরে।

মরম অসিনা ক্বেসন লিক ওইহল্লকপা অমদি পাক শন্না নত্তবা পাম্বে শীজিন্নরকপগী মতাং অসিদা এগজাম শীল্লিবা বোসেম অমদি কোসেমগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা হান্নদগী হেন্না কুপ্না চেকশিন্না শেন্নবীদুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীয়ু। সেন্টর তারিবা স্কুলনা অশোয়বা কয়া তৌরম্লবদি সেন্টর ককপদা নত্তনা চেন্নবা স্কুলদুগী রিকগ্নিশন ফাওবা ককপীয়ু। ওজাশিং চেন্নবা ওইরগদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওথোরিটিনা চেন্নরিবা ওজা অদুবু খুদক্তা থবক্তগী টর্মিনেট তৌবীয়ু হায়বগা লোয়ননা লৈবাক মীয়াম্নসু লমদমসিদা অফবা মরু চঙবা, তুংগী যুম্বীরেল কয়া পুথোক্লবগীদমক মহৈরোয়শিংনা অরানবা পাম্বে শীজিন্নবা থিংলসি হায়না এইমসকী চেরোলসিনা মীয়ামদা আপীল তৌরক্লি।

# রেজিয়া সুল্টানাদা ইন্টরনেশনল এৱার্দ পীরকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচ এন এস) :** দলিট সাহিত্য একাদেমী, নেপালনা শীন্দুনা মমাঙ থা ফেব্রুৱারীগী ২৫দা নেপালদা পাঙথোকখিবা ১৫শুবা এসিয়ন দলিট সাহিত্য কনফরেন্স-২০২৫দা জিরিবামদগী রেজিয়া সুল্টানাদা 'হ্যুমেনিটি এন্দ সোসল সর্ভিস' হায়বা থীম অসিদা ভারত রত্ন ডা. এ পি জে অব্দুল কলাম ইন্টরনেশনল এৱার্দ-২০২৫ পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎলকখ্রে।



রেজিয়া সুল্টানা জিরিবামদা বেজ তৌবা ওল জিরিবাম পাঙল ৱিমেন ৱেলফ্যের এসোসিএশনগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরি। মঙোন্দা এৱার্দ অসি পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎপীরকপগীদমক দলিট সাহিত্য একাদেমী, নেপালবু হায়নিংঙাই লৈতনা এসোসিএশন অসিনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

এৱার্দ অসি ফংলক্লবা মতুং জিরিবামদা থুংলবদা মীয়াম্না মহাকপু লৈ পরেং হুক্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। মহাক মতম শাংনা এসোসিএশন অসিগীদমক থৱায় হকচাং য়াওনা থৌ পাঙদুনা লাকখিবী নুপী অমনি হায়রি।

# 'য়াওশঙ মনুংদা হরাও-কুম্মৈ পাঙথোকপীগনু'

**ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচ এন এস) :** হৌজিক লৈবাকসি তংদু-লৈতাদবা ফীভমদা লৈরি। হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা অতম্নবা য়েলহৌমী মীতৈশিংগী মথক্তা চথুরক্লিবা লান্দা অসি চহী ২ ফাজিল্লক্কদৌরে হায়না ক্বাকৈথেল অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ (কে এ এম পি এল)গী প্রসিদেন্ট সোবিতা সৌবামগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, হৌজিক ফাওবা লান্দা অসিগী ৱারোইশিন পুরকপগী তাংদাংবা মমি উবা ফংদ্রি। লানসিনা মরম ওইদুনা ঙসি করি থোক্লগবা, হয়েং করি থোক্লগবা হায়দুনা মীয়াম্না মিহুল চেনগুম চেনগানরি। মীওই কয়া ময়ূম-মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরি, অৱা-অনা তারবশিং লোয়ননা তূম্বা-চাবা খঙদনা ইরৈবাক্কীদমক খুল ঙাক্লিবশিং, থৱায়না পোম্বা পীখ্রবশিং অমদি থীবা খঙদনা লৈরিবা কয়াগীদমক খল্লগা চহীসিগী ওইনা লাক্কদৌরিবা য়াওশঙ অসিদা লৈকায়-লৈকায়দা লৈরিবা ইচা-ইশুশিংনা থাবল চোংবা, ঈশৈ-নোংমাই, লীলা, চাকচা-হৈজোনবনচিংবা হরাও-কুম্মৈগী থবক অমত্তা পাঙথোকপীদনবা লূপ অসিগী মায়কৈদগী থল্লক্লি।

ৱাফম অসিবু ইরমদমসিগী মীয়াম্না শৌগৎপীদুনা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিনা তংদু-লৈতানা লৈত্রিবা ফাওবদি মখল অমত্তগী হরাও-কুম্মৈ অমত্তা পাঙথোকখিগুমসি হায়নসু চেরোলসিনা মখা তারক্লি।

লৌশিং পুক্কে

# নুপাগী পূক্নিং ৱাখলগা মরী

## লৈনবা হকশেলগী মতাংদা খঙজিনবদা কান্নগদবশিং

নুপী ওইবীশিংগী পূক্নিং-ৱাখলগী হকশেল (মেন্টল হেল্থ)গী মতাংদদি মীওই কয়ানা তোয়না খন্না-নৈনরি। অদুবু নুপা ওইবশিংগী পূক্নিং-ৱাখলগী হকশেল অসিদি কয়া থৌশানরুদবা হীরম অমা ওইরি। নুপা অমসুং নুপী অনীমক্তা পূক্নিং ৱাখলগী হকশেলগা মরী লৈনবা খুদোংচাদবা থেংনৈ। অদুমওইনমক, পূক্নিং ৱাখলগী হকশেলদা খুদোংচাদবা থোকহল্লিবা ইস্যুশিং অমদি ইস্যুশিং অদুবু ইনফ্লুএন্স তৌরিবা ফেক্টরশিং অদুদি নুপা অমসুং নুপীগী মরক্তা খন্নবা য়াবা খেন্নবা খরদি লৈ। নুপাগী পূক্নিং-ৱাখলগী হকশেলদা শোকহনবা কম্মন ওইবা ইস্যুশিং অমদি ফিভমশিংগী মতাংদা মখাদা পীরি।

মেন্টল হেল্থ ইস্যুশিংনা নুপাশিংবু তোঙানবা মওং অমদা শোকহল্লি। নুপা অমসুং নুপীশিংবু মেন্টল হেল্থ ইস্যুশিংনা মান্নদবা মওংদা শোকহনবগী মওংশিংদি :

খুদোংচাদবা থেংনবা অমসুং সুইসাইদ তৌবগী চাংদা খেন্নবা পূক্নিং-ৱাখলগী অনাবা থেংনবগী চাং অসি নুপাদগী নুপীদনা হেনবা য়াই। সুইসাইদ এটেম্প তৌবগী চাংসু নুপীনা হেনবা য়াই। অদুমওইনমক সুইসাইদ তৌবদা শিবা য়াবগী ওইথোকপদি নুপীদগী নুপানা শরুক ৩.৫ হেল্লি। মসি নুপাশিংনা মী শিবা য়াবগী চাং হেনবা খূৎলাইশিং খুদম ওইনা নোংমৈগুম্বা শীজিন্নগনবনা ওইবা য়াই। পূক্নিং ৱাখলগী খুদোংচাদবা থোকহনবা ফেক্টরশিংদা খেন্নবা নুপাশিংগী ইস্যুশিং অসি তোঙান তোঙানবা মরমশিংদগী ওইরকপা য়াই অমদি নুপীশিংদা এফেক্ট তৌরিবা অদুদগী হেন্না ট্রিগর তৌবা য়াই। খুদম ওইনা নুপাশিংনা থেংনবা ইস্যুশিং অসি অনম্বনা খুন্নাইনা মখোয়দা থল্লিবা থাজবা, ট্রেদিসনেলগী ওইবা নুপীশিংগী থৌদাংশিংদগী ওইরক্কল্লী। অসিগুম্বা মচাকশিং অসিনা মরম ওইরগা নুপাশিংদা ইমুংগী পুকচাক পুবা মীওই ওইগদবনি; ট্রেদিসনেলগী ওইবা নুপাগী মতীক (খুদম ওইনা পাঙ্গল অমদি কন্ট্রোল তৌবা ঙম্বনচিংবা) উৎপা ঙমগদবনি; মশানা মরোমদোম লেপচবা ঙমগদবনি অমদি অতোপ্পগী মতেং লৌরোইদবনি; মশাগী পূক্নিংদা ফাওবা অৱা-নুংঙাইগী মরমদা ফোংনা হায়রোইদবনি হায়বনচিংবা ফাওহল্লি।

অসিগুম্বা ট্রেদিসনেলগী ওইবা থাজবা অসি ঙাকপনা নুপাশিংগী মেন্টল হেল্থতা চৈথেং পীরকই অমদি অতোপ্পদগী মতেং লৌবা অমদি লায়েং চথুবনচিংবা তৌগদবসু তৌহন্দে। মতেং লৌবগী মতাংদা খেন্নবা পূক্নিং ৱাখলগা মরী লৈনবা খুদোংচাদবশিং খুদম ওইনা দিপ্রেসন, দ্রগ লান্না শীজিন্নবা, পূক্নিং ৱাখল য়াম্না কা হেন্না ৱানীংঙাই ওইবা পুন্সিগী থৌদোক থৌরমশিংগীদমক মতেং লৌবা অমদি লায়েং চথুনবা হোৎনবগী চাং অসি নুপীদগী নুপানা য়াম্না শাথিনা ৱাৎলি। মেন্টল হেল্থ অমেরিকাগী মতুংইন্না মসি খুন্নাইদা লৈরিবা চৎন-লোনচৎশিং; ৱারী শাদোকপা পামদবা; মখোয়দা থেংনরিবা লাইওংশিং অদুবু থৌশারুদবা অসিনচিংবদগী ওইরকপনি হায়রি। নেসনল হেল্থ ইন্টর্ভিয়ু সর্ভে অমগী মতুংইন্না নুপা অহুমগী মনুংদা অমখক্তংনা নুমিৎ খুদিংগী থেংনবা দিপ্রেসন নৎত্রগা এঞ্জাইটিগী হীদাক-লাংথক শীজিন্নৈ, অদুগা নুপা মরিগী মনুংদা অমখক্তংনা মেন্টল হেল্থ প্রোফেসনেলশিংগা তান্নৈ হায়রি।

পূক্নিং-ৱাখলগা মরী লৈনবা লায়না লৈবগী খুদম অমদি লাইওংশিং অসি লায়না মখলগী মখা পোল্লি। অদুবু য়েংবা য়াবা লাইওং খরদি লৈ। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা খৎনা-চৈনবা পাম্বা, অশাউবা, ইরিটেবিলিটি; মুদ নৎত্রগা ইনর্জি লেবেল অহোংবা লাকপা; অরাম-খৌরাংবা নৎত্রগা তূম্বগী হৈনবীদা অহোংবা লাকপা; পূক্নিং চঙবা ঙম্লক্তবা; পোত্থাফম খঙদবা নৎত্রগা লৈতাফম খঙদবা; যু য়াম্না থকপা; খুদোংথীনিংঙাই ওইবা থবক থৌওংদা শরুক য়াবা; ৱাখল নুংঙাইতবা, লম্বী উরক্তবা, হৈনিংদবা ফাওবা; চপ চাবা মরম খঙদনা হকচাং চীকপা নাবা নৎত্রগা অতোপ্পা ফিজিকেল সিম্পটোমশিং লৈবা; ওবসেসিভ নৎত্রগা কম্পলসিব ওইবা ৱাখল নৎত্রগা থৌওং; অতোপ্পদা অকায়বা পীবা য়াবা মওংগী, নৎত্রগা থবক মফমদা, খুন্নাইদা নৎত্রগা ইমুং মনুংদা অকায়বা পীবা মওংগী ৱাখল খনবা নৎত্রগা থবক তৌবা; সুইসাইদ তৌবগী ৱাখল খনবা নৎত্রগা তৌনবা হোৎনবা অসিনচিংবা পনবা য়াই। কনাগুম্বা মীওই অমনা মশাদা নৎত্রগা মাগা নক্লবা মীওইদা হায়রিবা লাইওংশিং অসি লৈবা উরগদি অনা-লায়েংগী মতেং লৌনবা হোৎনগদবনি। পূক্নিং ৱাখলগী লায়নাশিং অসি ঙল্লিঙৈ মতমদা লায়েংহৌরবদি লাইওংশিং অদু ফিভম লুশিল্লক্কদবদগী অনম্বনা কনবা ঙম্মী অমদি থেংনরক্কদবা খুদোংচাদবশিংগী চাং হন্থহল্লি।

তোঙান তোঙানবা মরম কয়ানা নুপাশিংগী মরক্তা পূক্নিং-ৱাখলগী অনাবা অমদি সুইসাইদকী রিস্ক হেনগৎহল্লি। রিস্ক খরা হেন্না ৱাংবা কাঙলুপশিং মখাদা পীরি:

**অহল ওইরবা, অঙৌবা ফুরুপকী নুপাশিং:** মশাগী চহী ৮৫ শুরবা অমদি মসিদগী হেল্লবা নুপাশিংনা অতোপ্পা নুপাশিংদগী সুইসাইদকী রিস্ক খ্বাইদগী ৱাংই। চহীদা, নুপা-নুপীদা নৎত্রগা ফুরুপতা য়েংবদা অতোপ্পদগীদি অঙৌবা ফুরুপকী নুপাশিংনা চহী খুদিংগী সুইসাইদ তৌবগী চাং হেল্লি।

**ট্রোমা থেংনরুরবা নুপাশিং:** ফুনা-চৈনবা নৎত্রগা লানফমদা য়াওরুবা, নৎত্রগা ফুবা চৈবগী ভিক্টিম ওইবনচিংবা পূক্নিং-ৱাখল অমদি হকচাংদা অশোক অপন থোকপা ফিভম মায়োক্নরুবনা পোষ্ট-ট্রোমাটিক ষ্ট্রেস দিসওর্দর (পি টি এস দি) মায়োক্নবগী রিস্ক হেনগৎহল্লি।

থবক-ইনখাংগা মরী লৈনবা ইস্যুশিং থেংনবা নুপাশিং: ফিভম চাদবা মফমদা থবক শূবা, থবক্কী পোৎলূম য়াম্মনবনা পূক্নিং-ৱাখলগী লায়নাশিংগী রিস্ক হেনগৎহনবা য়াই। থবক ফংদবা অমদি থবক্তগী পোত্থবনসু দিপ্রেসন অমদি সুইসাইদকী রিস্ক হেনগৎহনবা ঙমই।

**যূম্বান-পূন্সি কায়থরকপগী ফিভম থেংনবা নুপাশিং:** দিপ্রেসন নাবা হায়বসি নুপীগা খায়নরবা নুপাশিংগী মরক্তা য়াম্না তোয়না থেংনৈ অমদি অনাবগী ফিভমসু হেঞ্জিনগল্লি। যূম পান্দনা লৈবা হায়বসি নুপাশিংগী মরক্তা সুইসাইদ তৌহন্নবগী অচৌবা মরম অমনি হায়না ষ্টদি অমনা উৎখিবা লৈখ্রে।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা যুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে



# দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী কোলেজ ৱীক লোইশিনখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচ এন এস) :** দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স, ইম্ফালগী হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৮দগী হৌদুনা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা চথুরকখিবা কোলেজ অসিগী মঙাশুবা কোলেজ ৱীক সিলেব্রেশন, ২০২৫ লোইশিনবগী থৌরম ঙসি কোলেজ অসিগী প্লেগ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসর এম ভুবনেশ্বরিনা অথোইবা মীথুং, কোলেজ অসিগী ষ্টুদেন্টস যুনিয়ন (২০২৪-২৫)গী ভাইস প্রসিদেন্ট এসোসিয়েট প্রোফেসর সী ঐচ বিজয়না অখন্নবা মীথুং অমদি দি এম সী ও এস টি এগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ বিরেননা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

কোলেজ ৱীক লোইশিনবগী থৌরমসিগা মরী লৈননা এসোসিয়েট প্রোফেসর সী ঐচ বিজয়না ফোঙদোকখিবদা, থৌরমসি হান্নদি স্পোর্টস, লিটরেরি মীট, কলচরেল মীট হায়দুনা তোঙান তোঙান্না পাঙথোক্লম্মী। অদুবু কুমসি চহীদগী থৌরমশিংসি পুল্লপ পুনশিল্লগা কোলেজ ৱীক অসি পাঙথোকপনি। থৌরমসি পাঙথোকপনা কোলেজ অসিগী মহৈরোয়শিংনা মখোয়-মখোয়গী ক্লাসরুমদা, লেবোরেটরি রুমদা হৈথোই-শিংথোইবা অদুদা নত্তনা মখোয়দা য়াওজবা তোঙান তোঙানবা ৱাখল-লৌশিং অমদি হৈ-শিংবগী কয়াবু উথোক্লবগী খুদোংচাবা পীবনি। সাইন্সকী মহৈরোয় ওইরবসু জগোয়দা, ঈশৈদা অমদি শান্ন-খোৎনবদা মহৈরোয়শিংসি য়াম্না হৈবা য়াওই।

নুপাগীসু, নুপীগীসু তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিং পাঙথোকখি। ঙসি লোইশিনবা নুমিৎকী থৌরমগা মরী লৈননা ফাইনেল মেটচশিং থমদুনা ৱিন্নর ওইরবা টিমশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকপগী খুদোংচাবসু লৌবনি। একাদেমীক এক্টিভিটিশিংদা কলচর অমদি স্পোর্টসকী থৌরমশিং অসি হাপচিন্দুনা মহৈরোয়শিংগী এক্টিভিটিশিং হেনগৎহন্নবগী পান্দমসু থল্লি। কোলেজ অসিগী মহৈরোয়শিং টেলেন্ট য়াম্না লৈ হায়বসি ৱীক অসিদা উবা ফংই হায়খি।

# সেকমাই কৈথেলদা ফ্রী হার্ট ইকো স্ক্রিনিং কেম্প পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচ এন এস) :** স্কাই হোস্পিটাল অমসুং মণিপুর হার্ট ফাউন্দেশন (এম ঐচ এফ) অনীনা সেকমাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল, কংলাতোংবী গ্রাম পঞ্চায়টকা খূৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা ফ্রী হার্ট ইকো স্ক্রিনিং কেম্প অমা ইমা কৈথেল সেকমাই বজারদা ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯দগী হৌদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স সেন্টর প্রাইভেট লিমিটেদকী পব্লিক রিলেসন ওফিসর এলাংবম নরেশ মৈতৈগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, ঙরাং পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা সেকমাই, কংলাতোংবী, মখাননচিংবা তোঙান তোঙানবা খুলশিংদগী মীওই কয়াদা এসিম্পটোমেটিক অমসুং সিম্পটোমেটিক হার্ট দিজিজশিং লৈব্রা, লৈতবরা হায়না চাংয়েং তৌথোকপগী খুদোংচাবা পীখি।

কেম্প অসিগী মনুংদা মীওই ২৩দা ইকো, ৩৪দা ঈ সী জি অমসুং ২১দা ব্লদ সুগর টেষ্ট তৌদুনা পুন্না মীওই ৮৪দা ব্লদ প্রেসর চেক তৌবগী খুদোংচাবসু ফংহনখি। মসিগা লোয়ননা মথৌ তাবা পেসেন্টশিংদা হিদাক-লাংথকসু লেম্না ফংহনখি। স্কাই হোস্পিটালগী চেয়রমেন ডা. এল শ্যামকিশোরনা শরুক য়াখিবা মীয়াম্বু থাগৎখি হায়রি।

[illegible]


BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR

[illegible]/NOTIFICATION

Imphal, the 27th February, 2025

Subject : Online Registration of Class-IX & Enrollment of Class - X for the Academic session - 2025

No. Ex/II/Vol-VII/1497: It is hereby notified for information to all Headmasters/Headmistresses/ Principals of High/Higher Secondary Schools affiliated to the Board of Secondary Education Manipur (BSEM), that the Board will commence the Registration of Class - IX and Enrollment of Class - X for the academic session - 2025 through Online mode only at **portals.bosem.in**. The date and fee details are as listed below -

| Sl. No. | Particulars | Date of Commencement | Closing Date | Fee in Rs. |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Registration of Class - IX | 8th March, 2025 | 30th June, 2025 | 800/- |
| 2. | Enrollment of Class - X | 8th March, 2025 | 30th June, 2025 | 800/- |

Therefore, all concerned Headmasters/Headmistresses/Principals of High/Higher Secondary Schools are requested to do the same for timely completion.

**Sd/- S. Jitelal Sharma**
Secretary

HL-P/1126/6



CONCEPT TUTORIAL
THANGMEIBAND MEISNAM LEIKAI, OPP THAU GROUND IMPHAL



RAYHAAN RK 96.8% | SENORITA SAIREM 96.4% | NGANBA OINAM 94%

ADMISSION OPEN

CLASS 9 & 10 (BOTH CBSE & BOSEM)

CLASS 11 & 12 (BOTH CBSE & COHSEM)

CLASS STARTING FROM 1ST APRIL 2025

CLASS TIMING: 4:45 - 8:15 PM

SEPARATE HOSTEL AVAILABLE FOR BOTH BOYS AND GIRLS

VAN SERVICE AVAILABLE

# 8794 728 538 / 8794 303 740

HL-B/6382/5 March to 7 April


# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৬।০৩।২০২৫ ইং, শগোলশেল; নুমিৎযুংবা মতুং ১০.৫১ ফাওবা লমতাগী ৭ নি পাল্লি, মতুংদি ৮ নি পাল্লনি।

**মেষ:** নীংহন্নদবা, ইচঙ থৌবা অমদি কিদবনা লন-তানশিনবা ঙমজগনি। অফবা মিংচৎসু ফংগনি। খন্থদনা হোয়া ফরুরবদি মরুপ-মপাংনদি ৱারৌগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক লৈতে।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম

**বৃষ:** অরং-অরাক ফংবগী অমদি য়েৎনবদা মায় পাকপগী নুংঙাইজবা নুমিৎনি। ৱানোম-থৌনোমসু কান্নগনি, খূৎ চাউবসু মতাং চাগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

**মিথুন:** অচুম-অরানগী ৱা নত্তনা য়াকা য়েংনা চৎপনা খুদোংথিবা নংলোই। থেংলপ্পা মীয়ামগী মতেং ফংজগনি। নাইতোম থৌ পাঙগনু।
লৈশা পাখংগী- মীনা পাল্লোইদবা খল্লুনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

**কর্কট:** হকচাংসু খিঙবা, হোয়া ফবগীসু কান্নবা ফংজবা নুমিৎনি। শকখঙদবা লোয়নবদি খুউ শেল্লু। মরুপকা পুনবা থবকশিংদি চাউনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংগী- পূক্নিং পেঞ্জগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

**সিংহ:** নীংবদুমক পাঙবা য়াগনি, অকিবা লৈতনা নরল তানশিনবা মতাং চাগনি। অফবা মিংচৎ তানবসু শোয়দনা মায় পাক্কনি। য়েক্লবদি লায়থোক্কনু।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**কন্যা:** নচা-ননাইশিং লোয়নবা নুংঙাইজবা অমদি ওইজবা ফংগনি। লৌশিং ফুদোক্লা থৌ পাঙবনা অঙম্বনা চানবী। হকচাংদি নুংঙাইতে।
লৈশা পাখংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/হিগোক

**তুলা:** মীয়ামগা য়ানবা ৱাৎলি, পূকচেল চাউথোকউ, হকচাংগীসু চেকশিন্দবা তৌগনু। লম চৎপদি মাঙবা লৈরোই, পাউ নুংঙাইবা তাগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা মপা চাখিরোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/চেঙ

**বৃশ্চিক:** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি। চিংনবা লৈতনা ওইজবা তানবদা খূৎচাও থাবা য়াগনি। মীয়ামগা মরী ফরবসু লোয়নবনদি ৱারৌগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবা ফংজগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/চেঙ

**ধনু:** নীংবা থুংগনি, মীয়ামগী মতেং পাল্লবদি শোয়দনা ফংগনি। পাংঙমদবা থবকসু হে-শিংনা পাঙবা ঙমগনি। অফা-অপুন্নবা লৈররোই।
লৈশা পাখংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

**মকর:** থাজদবা মরমদগী কান্নবা ফংজৌ হায়বা নুমিৎনি। নচা-ননাই/মীয়ামগী মতেংসু পাল্লবদি ফংগনি। হৈ-শিংবা শারুরবদি নরল মাঙগনি।
লৈশা পাখংগী- খজিক্তং ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

**কুম্ভ:** অনম তান্না থবক অমত্তা পাঙগনু, নোল্লুকপা হৈত্রবদি কোক চিক্কনি। হুরানবা খন্দোক্লগা মরুপ ওইনবা হোৎনৌ। লাই-গুরুনদি ফজনা চাল্লি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**মীন:** মীকোক থোংবা ৱাবা অমদি মরুপ-মপাংশিংগা ৱারৌনবা লৈরবসু নীংবদি থুংগনি। শেন্দোং তানবদা ঙসিসু খূৎচাও থাবা য়াগনি।
লৈশা পাখংগী- ৱাখল খরদি নুংঙাইগনি।।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।